# নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরাগী রেবেল ৬ খুৎলায়গা কোন্ননা লৈঙাক্তা চঙজখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি):

ত্রিপুরা পুলিসনা ষ্টেট অসিদা লোনা অথিংবা থমখ্রবা নেসলনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (এন এল এফ টি) গী লৈহৌরিবা ফেক্সন অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখিবগী থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী কেদর ৬ খুৎলায় থাদোক্তুনা ত্রিপুরা পুলিসতা চঙজরকখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ৰাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।



পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না পুলিসতা চঙজরকখ্রবা রেবেল ৬ অদুগী মনুংদা ৪ দি হান্না পুলিসতা রেকোর্দ লৈ অদুগা অতোপ্পা অনী অমদি পুলিসতা রেকোর্দ লৈতে। মখোয় অনী অদু রেকোর্দ লৈবা মীওই ৪ অদুগী মতেং পাংবশিং ওইগনি। পুলিসতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা হান্নদগী রেকোর্দ লৈরবা মীওইশিং অদুদি উমেস কোলাই এলাইজ উকলাই (৪২), ফনিজোয় রিয়াং এলাইজ সথুক্রি এলাইজ অথুক্রি (৩৯), ভিক্টর জমাটিয়া (৪৭) অমসুং উত্তম কিশোর জমাতিয়া (৪২) নি। অদুগা হান্না রেকোর্দ লৈরমদবা মীওই অনী অদুগী মমিংনা সুর্জ্য কিশোর জমাতিয়া (৬০) অমসুং ব্রজেন্দ্রা রিয়াং (৬০) কৌই। মখোয় অনী হায়রিবা অথিংবা থমখ্রবা লূপ অসিগী রিগুলর কেদর অমা ওইবগী রিপোর্টতি লৈত্রি। অদুম ওইনমক লালহৌবশিং অসিনা তৌবা থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেং পাংলমখি হায়বগী রিপোর্টতি থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

রিপোর্টকী মতুংইন্না পুলিসতা হান্নদগী মশক মমিং লৈরবা মীওই ৪ অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বাংলাদেশতগী ষ্টেট অসিদা চঙলকখিবনি। ধলাই দিষ্ট্রিক্টতা মখোয়না মীচমদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক চথুরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ষ্টেট রাইফল অমদি পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্থবগী থবক চথখি। পুলিসনা লৌখৎলকপা এক্সনশিংদা মখোয় বরামুরা রেঞ্জকী মনুং চনবা অশুকপা উমং অমদা চেনশিন্দুনা লোৎখিবনি। অদুবু উমং মনুংদা মখোয় কুইনা লোৎপা ঙম্লক্তবদগী ঙসি পুলিসতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখিবনি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি।




কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক পাকথোক চাওথোকপদা কৈবুল লমজাওগী অকোয়বদা লৈবা পাৎ শোকহনবা য়ারোই হায়না মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা

# সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবা ১২ কোর্টতা পুথোকখ্রে



অগরটালা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ওনলাইন ফ্রোদকা মরী লৈননা চহী ১গী মমাংদা সন্তিরবজার পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌরকখিবা কেসতা যূম্ফম ওইরগা ত্রিপুরা পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চ য়ুনিটনা ঝরখন্দগী ফাখিবা সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই ১২ বেলোনিয়া দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা নুমিৎ নীনিগী পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে।

সাইবর ক্রাইমদা চেন্নরিবশিং অদু দিওগর জেলদগী পুরকপনি। মখোয়শিং অদু ইনভেষ্টিগেসন তৌরবা মতুং সান্তিরবজার কেসতা চেন্নবনি খঙলকখিবনি হায়না পুলিস সোর্ছ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্টকী মতুংইন্না আর্মি ওফিসর নরেশ বিস্বাসনা সান্তিরবজার পুলিস ষ্টেসনদা ২০২০গী নভেম্বর ১দা এফ আই আর অমা লানখৎলমখি। এফ আই আর অদুনা পল্লদুনা কাশ্মীরদা পোষ্টিং তাবা আর্মি ওফিসর অদুনা ট্রেভেল ৰেবসাইট অমা ওইরিবা 'উরচলো' দগী ময়ূম হল্লক্লবা ইনিদগো এয়রলাইন্সকী টিকেট অমা বুক তৌখি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা আর্মি ওফিসর অদুগী টিকেট অদু কেন্সেল তৌখি অমদি মহাক্না টিকেটকী শেল হল্লক্লবা হায়দুনা হেক্করশিংনা শেম্বা ৰেবসাইট অদুগী রিফন্দ ওপ্সনদা চঙলুবদা মহাকপু মোবাইল এপ্লিকেসন অমা দাউনলোদ তৌনবা খঙহল্লকপদগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হৌখি অমদি বেঙ্ককী দিটেলশিং পীরক্লবা খঙহল্লক্লবা মতুং মহাক্না রেজিষ্ট্রেসন তৌবা লোইশিনখি। রেজিষ্ট্রেসন লোইবগা ইকুই কুইদনা মহাক্কী একাউন্টতগী লুপা লাখ ১.৭৬কী শেনফম লৌথোকখিবনি হায়রি।

শেল হেক লৌথোকখিবগা থিন্থবা তৌদনা সান্তিরবজার পি এসতা বিস্বাসনা এফ আই আর অমা লোজ তৌখি। মতুং তারকপদা কেস অদু ক্রাইম ব্রাঞ্চকী সাইবর সেল য়ুনিটতা শীন্নরকপগা লোয়ননা হান্ননা জেলদা লৈরবা গেঙ অদুবু ইনভেষ্টিগেসন চথরকপনি।

# হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৯৪ থেংনখি

আইজোল, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি):

মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৩,৭৩৬ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৰাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১৯.৩৩ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ২৫৫ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখি। ঙসিগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিবা লৈতে। ষ্টেট অসিদা কোভিদনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মী মশিং ৭১০ দা লেংদনা লৈরি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৩,৭৩৬ গী মনুংদা মীওই ২,৩১,৫৯৪ মপুঙ ফানা লায়না লায়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব কেস মশিং ১,৩১১ লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্না চৎনবা অপিল তৌরক্লি।

# এ পিদা হাইড্রো পৱার প্রোজেক্টশিংদগী মৈ মেগাৱাট ৩,০০০ পুথোক্লগনি

ইটানগর, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ষ্টেটনা চল্লাইবা ঐচ পি দি সী এলনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা অপিকপা হাইড্রো পৱার প্রোজেক্টশিংদগী মৈ মেগাৱাট ৩,০০০ পুথোকপগী পান্দম থল্লি হায়না অরুনাচল প্রদেশকী সী এম খন্দুনা ফোঙদোরক্লি।

ৰাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ৯২ লাপ্না লৈবা টৱাং দিষ্ট্রিক্টকী জেমিথাং ভিলেজদা মৈ মেগাৱাট ৩ পুথোকপগী কেপাসিটি লৈবা সুমবাচু স্মোল হাইড্রোপৱার প্রোজেক্ট শঙ্গারবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। সী এম খন্দুনা ত্বিটর পোষ্টকী গ্রিদতগী লাপ্না লৈবা মফমশিংগীদমক্তদি অতৈগা মরী লৈনদবা হাইড্রো পৱার প্রোজেক্টশিংনা খ্বাইদগী ফবা সোল্যুসননি। ষ্টেটনা চল্লাইবা হাইড্রো পৱার দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন ওফ অরুনাচল প্রদেশ লিমিটেদনা অসিগুম্বা প্রোজেক্ট সুম্বচু ৩ এম দব্লিয়ু ঐম ঐচ পি অসি টৱাং দিষ্ট্রিক্টকী জেমিথাংগী মীয়ামদা দেদিকেট তৌরে হায়রি।

# অসামগী দেলিগেসন টিম মিজোরামদা চৎলগনি

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি):

অসাম অমসুং মিজোরাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা মতম শাংনা ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনদুনা লাক্লিবা অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নবগীদমক মীওই ৫ না শাবা অসামগী দেলিগেসন টিম অমা মিজোরামদা অথুবা মতমদা চৎলগনি হায়রি।

ষ্টেট অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ১৬৪.৬ শাংবা ঙমখৈগী শরুকশিং লোন্নরি। হায়রিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসিগী মনুংদা খরগী মতাংদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা মতম শাংনা উংখৎনদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুক্তা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মরক্তা খৎন চৈনবগী থৌদোক থোক্তুনা মীশি মীনা ফাওবা থোকখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহল্লক্তনবগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা চহী অসিগী মে থাদগী ৱারী শান্নবা হৌরকখিবনি। মখা তানা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানবগীদমক অসামগী দেলিগেসন টিম অমা অথুবা মতমদা মিজোরামদা চৎলগনি হায়রি।

# মেঘালয়া বি জে পি ভাইস প্রসিদেন্টকী ৱাথোক ইন্দিপেন্দেন্ট বোদিদা থিগৎহনবগী মথৌ তাদে

শিল্লোং, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি):

চহী অসিগী জুলাই থাগী ময়ায় চল্লকপদা মেঘালয়া পুলিসনা তোঙান তোঙানবা কেসশিংগা মরী লৈননা ফাখিবা মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাককী কেস অসি হৌজিক হৌজিক ষ্টেট পুলিসনা থিজিনবগী থবক চথুরিবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমদা থিগৎহনবগী মথৌ তাদ্রি হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে।



মেঘালয়া বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অরনেষ্ট মাৱিনা কেস অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমনা থিগৎহন্নবা গভর্নর সত্য পাল মালিকতা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রবা মতুং চীফ মিনিষ্টরনা ৱাপম অসি ফোঙদোকরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মহাক মমাং থাগী ২৮ দা উট্টর প্রদেশকী হাপুরদা ওটো টেক্সি অমদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মেঘালয়া পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা উট্টর প্রদেশতা চৎলবা মতুং য়ু পি পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা মহাকপু ফাবা ঙমখিবনি।

চিংনবা য়াবা পাউ খরা ফংবদগী মেঘালয়া পুলিসকী টিম অমনা তুরাদা লৈবা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাককী ফার্ম হাউসতা থি হুন্থবগী থবক চথখি। মদুদা ইল্লিগেল ওইনা থল্লম্বা ফোরেন লিকর কয়া ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা অরানবা থবক চথুরম্বা মীওই ৭৩ সু ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপীমচা ২৪ য়াওরি। মসিদগী হেনেদাক্তুনা রেইদ অদুদা চহী নৌরিবা অঙাং মঙাসু রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা নুপামচা মরি অমসুং নুপীমচা অমা য়াওরি। মদুগী মতুং পুলিসনা মহাকপু ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা মেঘালয়া বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা থৌশিলনি হায়রি।

## CROSSWORD-3606



### ACROSS

1 Weepy (7)
5 Inexpensive (5)
8 Biblical measure (5)
9 Conundrums (7)
10 Eight-sided figure (7)
11 Strange and disturbing (5)
12 Bloom, blossom (6)
14 Cosmetics (4-2)
18 Wait in line (5)
20 Exterior (7)
22 Accumulated (7)
23 Balm, ointment (5)
24 Curt, abrupt (5)
25 Meander (anag) (7)

### DOWN

1 Rebuke (4,3)
2 Head of a community of monks (5)
3 Weariness (7)
4 Upper part of the windpipe (6)
5 Scrounge (5)
6 Make bigger (7)
7 Ski slope (5)
13 Out-of-doors (4-3)
15 Skilled worker (7)
16 Make believe (7)
17 Chillier (6)
18 Two pints (5)
19 Follow as a consequence (5)
21 Muslim religion (5)

**Solution 3605**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | U | P | P | E | R | | C | A | U | S | E | D |
| E | | O | | I | | | | D | | H | | E |
| C | R | I | E | D | | C | U | M | B | R | I | A |
| O | | N | | E | | O | | I | | U | | R |
| N | A | T | U | R | A | L | | R | O | G | U | E |
| D | | E | | | | L | | E | | | | R |
| | | R | O | T | T | E | R | D | A | M | | |
| B | | | | U | | A | | | | A | | C |
| R | E | C | U | R | | G | R | I | Z | Z | L | Y |
| A | | U | | M | | U | | S | | U | | G |
| V | E | R | B | O | S | E | | S | I | R | E | N |
| E | | E | | I | | | | U | | K | | E |
| S | A | D | D | L | E | | D | E | P | A | R | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4007

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | 7 | | | | 3 | 2 |
| | 3 | | | | | 5 | | |
| 7 | | 4 | 6 | | | | 8 | |
| | | 3 | 5 | 8 | | | | |
| 2 | | | 9 | | 3 | | | 4 |
| | | | | 4 | 7 | 3 | | |
| | 4 | | | | 9 | 8 | | 6 |
| | | 8 | | | | | 1 | |
| 3 | 9 | | | | 1 | | 4 | |

### Solution-4006

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 7 | 9 | 2 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 3 | 8 | 9 | 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 2 |
| 4 | 2 | 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 6 | 5 | 8 | 3 | 9 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 6 | 8 | 2 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 9 | 2 | 5 | 1 | 4 | 8 | 3 | 6 |
| 9 | 6 | 1 | 4 | 7 | 3 | 2 | 5 | 8 |
| 8 | 7 | 3 | 2 | 5 | 1 | 6 | 4 | 9 |
| 2 | 4 | 5 | 8 | 6 | 9 | 1 | 7 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NIT NAGALAND RECRUITMENT 2022 FOR ASSOCIATE PROFESSOR

National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Associate Professor Recruitment 2022
Advertisement for the post of Associate Professor in National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 16th August 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment 2022 Associate ProfessorVacancy 2022 details and apply online at the www.nitnagaland.ac.in/ recruitment 2022 page.
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nitnagaland.ac.in/. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of www.nitnagaland.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Associate Professor
Job Location:
Chumukedima, Dimapur, 797103 Nagaland
Last Date: 16th August 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 04 Posts (UR-02, BC-01, SC-01)
Educational Qualification: Six years after Ph.D. of which at least 03 years at the level of Assistant Professor with AGP Rs.8000/- Or Nine years total working experience, of which 03 years should be after Ph.D., with at least 03 years at the level of Assistant Professor with AGP Rs.8000/-.
Pay Scale:
INR
139600/- Per Month
Age Limit: As Per Rules.
Application Fee: The Form should be enclosed with prescribed application fee of Rs. 1000/- (One Thousand only) for General/OBC category and Rs. 500/- (Five Hundred Only) in case of SC/ST in the form of Demand Draft in favour of IRG, NIT Nagaland payable at State Bank of India, Chumukedima Branch, Dimapur. However, Persons with Disabilities (PWDs) candidates are exempted from payment of the prescribed fees subject to submission of relevant certificate issued by the competent authority.
How to Apply:
Application must be sent in the prescribed format only through speed post/ registered post to "The Registrar, National Institute of Technology Nagaland, Chumukedima, Dimapur, Nagaland 797103". On the envelope please inscribe "Application for Recruitment for the post of............Advt No...........(please fill in name of post category applied for)".
Important Dates:
Published on: 29th July 2022
Last date for application is: 16th August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NIPER GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR CHIEF EXECUTIVE OFFICER

Nagaland University Guest Faculty Recruitment 2022: Advertisement NIPER Guwahati Chief Executive Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Chief Executive Officer in NIPER Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 August 2022. Candidates can check the latest NIPER Guwahati Recruitment 2022 Chief Executive Officer Vacancy 2022 details and apply online at the www.niperguwahati.ac.in recruitment 2022 page. NIPER Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.niperguwahati.ac.in. NIPER Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.niperguwahati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Institute of Pharmaceutical Education and Research Guwahati (NIPER Guwahati)
invites applications for recruitment of Chief Executive Officer
Chief Executive Officer
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781125 Assam
Last Date: 12 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Application For Employment

| Application For Employment Recruitment 2022 | Details |
|---|---|
| Company | NIPER Guwahati |
| Job Role | Chief Executive Officer |
| Education Requirement | M.Sc |
| Total Vacancy | 1 Posts |
| Job Locations | Guwahati |
| Experience | 15 - 20 years |
| Salary | 100000 - 125000 |

Educational Qualification: Graduation in Science/ Technology with post-graduation in science/ technology/ business management.
Experience: A minimum of 15 years of overall experience in at least 3 sectors including Industry, Technology Business Incubators, Start-up, Venture Capital Firms in Technology sectors, Innovation management, or Academic / Research Organisation.
Skills / Eligibility
Age Limit: 40-55 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Chief Executive Officer in NIPER Guwahati.
How to Apply:
If you are interested in applying for NIPER Guwahati Recruitment 2022, then apply before 12/08/2022. If you want to know the procedure to apply for the NIPER Guwahati Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the NIPER Guwahati official website niperguwahati.ac.in
Step 2: Once you enter the website look out for the NIPER Guwahati Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 31 July 2022
Last date for application is: 12 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

পাউ চে অসিনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা নুমিৎ খুদিংগী হাপ্লিবা ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজকী মনুং চন্না মমাং থাগী ২৮ দগী ৩১ ফাওবদা ফোঙখিবা CAU Recruitment 2022 for Part Time Medical Officer গী জোব লোকেসনদা ইম্ফাল হায়না হাপখিবা অদু কোলেজ ওফ কম্যুনিটি সাইন্স, কাউগী হেদ ওফিস অসি ইম্ফালদা ওইবা মরম্না হাপখিবনি। অদুবু কৌরিবা পোষ্ট অসিদি সাংসাংগ্রি, তুরা-মেঘালয়াগী ওইগদবনি। চপ চাবা এদ্রেস হাপখিদবদগী চমম্নবা থোকহনখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

– **এদিটর**



ৱারী মমিং :
**য়াইতম্বা**
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

